# এস রঞ্জিৎ অমদি টেক্নিকেল ওফিসল ৫বু এম এফ এনা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল,জানুৱারী ৮(ঐচএনএস): মণিপুর ফেন্সিং এসোসিএসনগী কোচ সোরাম রঞ্জিৎপু কেরলাগী ইর্নাকুলমদা থা অসিগী ১০দগী ১৩ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ২৪শুবা সব-জুনিয়র নুপা অমদি নুপীমচাগী অন্দর-১৪ নেসনল ফেন্সিং চেম্পিয়নশিপ ২০২২-২৩গী কম্পিটিসন দিরেক্টর ওইনা খল্লকপবু মণিপুর ফেন্সিং এসোসিএসনগী সেক্রেটরি এম কুমারনা থাগৎপা অমদি নুংঙাইবা ফোঙদোরক্লি।

মহাক খোংমন জোন-৪দা লৈবা লৈখিদ্রবা সোরাম অঙোগী মচানুপানি। অমরোমদা, মণিপুর ফেন্সিং এসোসিএসনগী মায়কৈদগী চেম্পিয়নশিপ অসিগীদমক টেক্নিকেল ওফিসল ওইনবা ষ্টেটকী ওফিসল ৫ খল্লকপবুসু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।


এস রঞ্জিৎ


চিংসোম্বা এন


এস জয়েন্ত


আর কে রেবিকা


টি ঐচ দাইনা


ও ভিক্টর

খনগৎলবা ওফিসলশিং অদুদি সোরাইসম জয়েন্ত, থাংজম দাইনা, চিংসোম্বা এন, ওইনাম ভিক্টর অমদি রাজকুমারী রেবিকানি।

ঙানবী মেমোরিএল ফুটবোল লোইশিনখ্রে

# এফ এফ সী সী অংথানা ৱিন্নর ওইখ্রে

ইম্ফাল,জানুৱারী ৮(ঐচএনএস): সোসলৱর্কর কোংগ্রেস (এসদব্লিয়ু সী) খোংমননা শীন্দুনা ক্লব অসিগী গ্রাউন্দদা চথরকপা ৬শুবা থিঙুজম ওংবী ঙানবী মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ঙসি লোইশিনখিবগা লোয়ননা এফ এফ সী সী অংথানা ৱিন্নর অদুগা বি এস য়ু কৈরাওনা রন্নর্স অপ তাবা ঙমখ্রে। কেএসসী কোংবনা অহুমশুবা পোজিসন তাবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসি ফুটবোল চাউখৎহনবা হায়বা থিমদা দিসেম্বর ২১দগী হৌদুনা পূন্না টিম ১৪না গ্রুপ ৪ থোক্তুনা শরুক য়াদুনা চথরকখিবনি।

এস দব্লিয়ু সী গ্রাউন্দদা ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা এফ এফ সী সী অংথানা বি এস য়ু কৈরাওবু ১-০দা মায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইবা ঙমখ্রে।

অংথা টিমগী ক্লিন্টননা শান্নবগী ৩৫ শুবা মিনটতা মেটচকী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। মখা তাবা টিম অনীনা অপীবা মতম লোইবা ফাওবদা গোল হাপচিনবা ঙম্নদবদগী এফ এফ সী সীনা কৈরাও টিমবু ১-০দা মায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখিবনি।

মেটচ অসিদা বি এস য়ুগী রাহিস শান্নবগী ৬২ শুবা মিনটতা রেফরি এ কে তুনেশ্বরনা দাইরেক্ট রেদ কার্দ উৎতুনা ফিল্ডদগী মপান থোকহনখি। রেফরিনা মখা তানা অংথা টিমগী ৱাই শান্তশান্নবগী ৬৫ শুবা মিনটতা অদুগা বি এস য়ুগী ৱাজিৎসু অহানবা হাফকী শান্নবগী ২৩ শুবা মিনটতা য়েলো কার্দ অমমম্ বূক তৌখি।

মেটচ অসিদা এ দিঙ্কু অমদি এ চিঙ্গোইরেম্বনা এসিস্টেন্ট রেফরি ১ অমসুং ২ অদুগা এস ঐচ টাফুনা ফোর্থ ওফিসল ওইনা শরুক য়াখি।

লোইশিনবগী থৌরমদা দিপার্টমেন্ট ওফ য়ুঠ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টসকী দিরেক্টর টি ফুলেন মৈতৈনা অথোইবা মীথুংলেন, সোসল ৱর্কর কোংগ্রেস (এস দব্লিয়ু সী) খোংমনগী প্রসিদেন্ট এ বিরেন্দ্রনা থৌরম মপু অদুগা নেসনল হেল্থ মিসন মণিপুরগী মিসন দিরেক্টর ডা. এন সোমোরজিৎ, দি আই ঈ টি, এস সী ঈ আর টিগী লেকচরর টি ঐচ ভোগেন অমদি হোক্কী ইন্দিয়া এফ এন এ কম্মিটিগী চেয়রমেন গ্যানেন্দ্রো নিংথৌজম্বমনা অখন্নবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

লোইশিনবগী থৌরমগা মরী লৈননা অথোইবা মীথুংলেননা মকোক-মথং তাখ্রবা টিমশিংদা মনা-মথুম য়েন্থোক্তুনা পূক্নিং থৌগৎখি।

নীংশিংবা য়াবদি, থাংজ নুমিৎতা শান্নখিবা থর্দ প্লেস মেটচতা কে এস সী কোংবনা এস ৱাই দি এ সাবল লৈকাইবু ২-০দা মায়থীবা পীদুনা অহুমশুবা পোজিসন তাবা ঙমখিবনি।

# ষ্টেটকী নুপী ফুটবোল্লর ৯ ট্রেনিং কেম্পকীদমক কৌরক্লে

ইম্ফাল,জানুৱারী ৮(ঐচএনএস): বাংলাদেশতা ফেব্রুৱারী ২দগী ১০ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা এস এ এফ এফ অন্দর-২০ ৱিমেন্স চেম্পিয়নশিপ অদুগা মার্চ ৪দগী ১২ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা এ এফ সী অন্দর-২০ ৱিমেন্স চেম্পিয়নশিপ ক্বালিফায়িং রাউন্দগীদমক চেন্নাইদা থা অসিগী ৮দগী হৌদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা ইন্দিয়ন ৱিমেন্স টিমগী ট্রেনিং কেম্পতা শরুক য়ানবা ষ্টেটকী নুপী ফুটবোল্লর ৯ ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসননা কৌরকখ্রে।

নুপী শান্নরোয়শিং অদুদি সিঙ্কি হেমাম, মার্টিনা থোকচোম, ববিনা লিসম, লিন্দা কোম সর্টো, মোনালিসা, হেমপ্রিয়া সেরাম, মেলোদি চনু কৈশাম, সেলিয়া অমদি রেজিয়া লাইশ্রমনি।

অমরোমদা, ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী জেনরেল সেক্রেটরি এল জ্যোটিরমোই রোইনা খঙহল্লকপদা, শান্নরোয়শিং অসি চেন্নাইগীদমক বির টিকেন্দ্রজিৎ ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টতগী ঙসি ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

# মণিপুর যোগ এসোসিএসনন থাগৎপা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল,জানুৱারী ৮(ঐচএনএস): পুদুচেরিদা দিসেম্বর ২৬তগী ২৮ ফাওবা পাঙথোকখিবা ৪১ শুবা নেসনল যোগসনা চেম্পিয়নশিপতা শরুক য়াখিবা মণিপুরগী শান্নরোয় ১০না তোঙান-তোঙানবা চহীগী কেটগোরিশিংদা পোজিসন ১০ ফাওবগী মনুংদা চল্লকপা ঙম্ববু মণিপুর ষ্টেট যোগসনা এসোসিএসনগী মায়কৈদগী থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

চেম্পিয়নশিপ অসিদা জুনিয়র নুপামচাগী কাঙলূপ্তা এস রিশিকুমারনা ৫শুবা, এন জি জেক্সননা ৭শুবা; মাষ্টর-এ গ্রুপতা এ ৱাই বেদশাস্ত্রিনা ৫শুবা; মাষ্টর-বি গ্রুপতা এম সনাহনবীনা ৪শুবা, টি চোইশিনীনা ৫শুবা, এস সৈত্যবতিনা ৮শুবা; মাষ্টর-সীগী নুপীগীদা কে ঐচ প্রমোদিনীনা ৫শুবা, কে এস ঐচ সোভারানীনা ৭শুবা অদুগা নুপাগীদা এম বিজয়না ৭শুবা অমদি এন মনিচৌনা ৯শুবা পোজিসনশিং তাবা ঙমখিবনি।

য়ু-১৪ বোইজ ইন্টর ক্লব ফুটবোল টুর্নামেন্ট

# য়ুনাইটেদ এফ সী, এস ও সী দি ঈ সী অমদি পেহলুম লমহিল লোম মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল,জানুৱারী ৮(ঐচএনএস): ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনন শীন্দুনা লল্লোং থোংখোঙদা লৈবা আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দদা চথরিবা অন্দর-১৪ বোইজ ইন্টর ক্লব ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি তোঙান-তোঙানবা গ্রুপকী শান্নখিবা মেটচশিংদা য়ুনাইটেদ ফুটবোল ক্লব (য়ু এফ সী) বিষ্ণুপুর, এস ও সী দি ঈ সী থৌবাল অমদি পেহলুম লমহিল লোম (পি এল এল) চুড়াচান্দপুর মায় পাকখ্রে।

ঙসি অয়ুক শান্নখিবা গ্রুপ সীগী মেটচ অমদা য়ুনাইটেদ ফুটবোল ক্লব বিষ্ণুপুরনা ঙাংখলৱাই অৱাং স্পোর্টস এসোসিএসন (নাসা) মোইরাংবু ৪-২দা মায়থীবা পীখ্রে।

য়ু এফ সীগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু ফাওমৈ গোংকিনলুং, লানজাইগাই গাংমৈ, মচুঙাংপৌ রোংমৈ অমদি থোইটকবিট থোইটক চিরুনা শান্নবগী ২১, ২৭, ৫২ অমদি ৫৮ শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি। নাসা মোইরাংগী গোল ২ অদুনা এস নোঙ্গ্রেংথাং কোম অমদি কেপ্টেন তোংব্রম গুনগুন মৈতৈনা শান্নবগী ৫ অমদি ১৩ শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি।

মেটচ অসিদা রেফরি ইনাও ময়াংলম্বমনা য়ু এফ সীগী য়ুলুং জেভিয়র চোথে অমদি ফাওমৈ পৌচুনথাইবু শান্নবগী ৪ অমদি ৪০ শুবা মিনটতা য়েলো কার্দ অমমম্ বূক তৌখি।

অমরোমদা, নুংথিল শান্নখিবা গ্রুপ বিগী মেটচ অমদা এস ও সী দি ঈ সী থৌবালনা টি ৱাই দি এ বিষ্ণুপুরবু ১-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

টিম অনীনা অহানবা হাফকী শান্নবদা গোল অমত্তা চন্নদনা দ্রো ওইখি। অনীশুবা হাফতা সাপম অরুনকুমারনা শান্নবগী ৬০ শুবা মিনটতা থৌবাল টিমগী অমত্তা ঙাইরবা মায় পাকপগী গোল চনবা ঙমখি।

অতোপ্পা নুংথিল শান্নখিবা গ্রুপ বিগী মেটচ অমদা পেহলুম লমহিল লোম (পি এল এল) চুড়াচান্দপুরনা ৱাঙ্গোই ফুটবোল এসোসিএসন (ৱাফা) ইম্ফাল ৱেষ্টপু লাকচনা ৭-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

চুড়াচান্দপুর টিমগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু লালহোপলিয়াননা শান্নবগী ২০ অমদি ৫৩, লুনজলাল হাওকিপনা শান্নবগী ২৮ অমদি ৩০, খুপঙাইসাং গুইটেনা শান্নবগী ১৫ অমদি ৪৪ শুবা মিনটতা গোল ২/২ অদুগা থংগৌসিয়াম হাওকিপনা শান্নবগী ৫৯ শুবা মিনটতা গোল ১ চনবা ঙমখি।

মেটচ অসিদা রেফরি মোইরাংথেম ননাওনা পি এল এলগী অহানবা গোল চনখিবা খুপঙাইসাং গুইটেবু শান্নবগী ৪৭ শুবা মিনটতা য়েলো কার্দ অমা বূক তৌখি।

দি এস এ ট্রোফি ষ্টেট ফুটবোল টুর্নামেন্ট হৌদোকখ্রে

# এস দি ওনা ৱাই দব্লিয়ু য়ু অহৌবা মেটচতা থোইখ্রে

ইম্ফাল,জানুৱারী ৮(ঐচএনএস): দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন ককচীংনা শীন্দুনা ১৭শুবা দি এস এ ট্রোফি ষ্টেট ইনভাইটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৩ ঙসি ককচীংগী দি এস এ গ্রাউন্দদা পঞ্জাব নেসনল বেঙ্ক ককচীং ব্রাঞ্চকী সিনিয়র মেনেজর ময়াংলম্বম ভগৎনা অথোইবা মীথুংলেন ওইদুনা হৌদোকখিবগা লোয়ননা অহৌবা মেটচতা এস দি ও পল্লেলনা ৱাই দব্লিয়ু য়ু ককচীংবু ২-১দা মায়থীবা পীখ্রে।



টুর্নামেন্ট অসিদা পূন্না টিম ৭না শরুক য়ারি। এস দি ও অমদি ৱাই দব্লিয়ু য়ু অনীনা শান্নখিবা মেটচতা টিম অনীনা অহানবা হাফকী শান্নবদা গোল অমত্তা চন্নদনা দ্রো ওইখি।

অনীশুবা হাফতা এস দি ওগী এস তোম্পোকনা শান্নবগী ৫৭ শুবা মিনটতা মেটচকী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। কে এস ঐচ গৌরদাসনা শান্নবগী ৬৯ শুবা মিনটতা এস দি ওগী মায় পাকপগী অনীশুবা গোল চনবা ঙমখিবনি।

কে এস ঐচ কান্তনা মেটচ লোইরমদাই ইঞ্জুরি টাইমগী ২শুবা মিনটতা ককচীং টিমগী অমত্তা ঙাইরবা গোল চনবা ঙমখি।

মেটচ অসিদা রেফরি টি ঐচ পর্শুরামনা মায়পাকখিবা পল্লেল টিমগী কে ঐচ দেবরাজ শান্নবগী ৪২ শুবা মিনটতা য়েলো কার্দ অমা বূক তৌখি।

হৌদোকপগী থৌরমদা দি এস এ ককচীংগী প্রসিদেন্ট কে এস ঐচ ইবোবীনা থৌরম মপু অদুগা জিবন হোস্পিটাল ককচীংগী মেনেজিং দিরেক্টর ডা. ৱাই অশোককুমার অমদি সোসল ৱর্কর এন থোইবনা অখন্নবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথরকপা ওইনা থা অসিগী ১০গী নুংথিল পুং ১.৪৫দা সেনা এথলেটিক্স ওর্গনাইজেসন (সাও) ককচীং অমদি লাংমৈদোং মমাং লৈকাই সিটিজন ক্লব (এল এম এল সী সী) লাংমৈদোং অনীনা লম্বা তৌনরগনি।

# রবিচন্দ্র ষ্টেট ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট

# অরাপ্তি, তোমথিন অমদি মমৈ এফ সী ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে

ইম্ফাল,জানুৱারী ৮(ঐচএনএস): উপা ক্যামগৈনা শীন্দুনা ক্যামগৈ ময়াই লৈকাই গ্রাউন্দদা চথরিবা ১২শুবা রবিচন্দ্র মেমোরিএল ষ্টেট ওপন ফুটবোলগী ঙসি শান্নখিবা প্রি-ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অহুমদা মায় পাক্তুনা অরাপ্তি এফ সী, তোমথিন এফ সী অমদি মমৈ এফ সী ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা প্রি-ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা অরাপ্তি এফ সীনা ইমোইনু এফ সী ক্যামগৈবু ৪-১দা মায়থীবা পীখি।

অরাপ্তি এফ সীগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু আই ইন্দ্রজিৎনা ২ অদুগা কে বিদ্যাচন্দ্র অমদি এল তেনাওনা অমমম্ চনখি। ইমোইনু এফ সীগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা লক্কি খুমননা চনখিবনি।

অতোপ্পা মেটচ অমদা তোমথিন এফ সী অৱাং খুনৌনা সলাই এফ সীবু লাকচনা ১০-৪দা মায়থীবা পীখ্রে।

তোমথিন এফ সীগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু এম বিকেননা ৪, এম সঞ্জয়না ৩, কে ঐচ লোয়ালাকপনা ২ অমদি এম বিদ্যানন্দনা ১ চনখি। সলাই এফ সীগী গোলশিং অদুনা এন দামিনসননা ৩ অমদি এল জেমসনা ১ চনখি।

অতোপ্পা ঙসি শান্নখিবা প্রি-ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা মমৈ এফ সী ক্যামগৈনা কেনেদি এফ সী বিষ্ণুপুরবু টাই ব্রেকতা ২-২ (৯-৮)দা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর চঙখ্রে।

কেনেদি এফ সীগী গোল ২ অদুনা ইরাবন্তনা চনখি অদুগা মমৈ এফ সীগী গোলশিং অদুনা রোশন অমদি ভগিরটনা অমমম্ চনখি।

মখা তাবা টাই ব্রেকতা কেনেদি এফ সীগী মায়কৈদগী ইরাবন্ত, সঞ্জিব অমদি রাকেশনা ২/২ অদুগা কেনসাশি অমদি তেলহৈবনা অমমম্ চনখি অদুগা মমৈ এফ সীগী মায়কৈদগী রোশন, চুনমৈ, গিরিশ, রোক্কিনা ২/২ অদুগা অজিৎনা ১ গোল ওন্থোক্তুনা ১১-১০দা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা ঙমখিবনি।

৪শুবা চন্দ্রনদি ট্রোফি ফুটবোল টুর্নামেন্ট হৌদোকখ্রে

# ঐচ এন এস সী অহৌবা মেটচতা মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল,জানুৱারী ৮(ঐচএনএস): হাওরৈবী নোরদর্ন ষ্টার ক্লব (ঐচ এন এস সী) হাওরৈবী অৱাং লৈকাইনা শীন্দুনা ৪শুবা চন্দ্রনদি ট্রোফি ষ্টেট লেভেল ৯-এসাইদ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ঙসি হাওরৈবী কাংজৈবুংদা হৌদোকখিবগা লোয়ননা অহৌবা নুমিৎতা শান্নখিবা গ্রুপ এগী মেটচ অমদা য়ূম্বু টিম ওইরিবা ঐচ এন এস সী-এনা এন এস য়ু নরানকোঞ্জিলবু ৫-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

এস ঐচ সনাথোইনা শান্নবা হৌরকপগী ১০শুবা মিনটতা য়ূম্বু টিমগী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। মহাক্না মখা তানা অনীশুবা হাফকী শান্নবগী ৪৯ শুবা মিনটতা মায় পাকপগী ৩শুবা গোল চনবা ঙমখি। রোবিনসননা শান্নবগী ২৮দা ঐচ এন এস সীগী অনীশুবা গোল চনখি অদুগা এস ঐচ রিশিবোই অমদি বি সমিটনা মেটচ লোইরমদাই ইঞ্জুরি টাইমগী অহানবা অমদি অনীশুবা মিনটতা মায় পাকপগী ৪শুবা অমদি ৫শুবা গোল চনবা ঙমখি।

এন এস য়ুগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা ৱাই সুরঞ্জয়না শান্নবগী ৩৫ শুবা মিনটতা চনখিবনি।

মেটচ অসিদা রেফরিনা এন এস য়ুগী টি রোবিন্দ্রো অমদি ঐচ এন এস সীগী এস ঐচ নেলসন শান্নবগী ৩৮ অমদি ৫৫ শুবা মিনটতা য়েলো কার্দ অমমম্ বূক তৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিদা টিম ৩০না গ্রুপ ১০ থোক্তুনা শরুক য়ারি।

হৌদোকপগী থৌরমদা থৌবাল ফোরেষ্ট দিভিজনগী দি এফ ও থোইদিংজম লোকেন্দ্রোনা অথোইবা মীথুংলেন, ঐচ এন এস সীগী প্রসিদেন্ট লৈমপোকপম একেন্দ্রনা থৌরম মপু অদুগা মণিপুর ফূদ ইন্দষ্ট্রিজ কোওপরেসন লিমিটেদকী ভাইস চেয়রমেন পুখ্রম্বম সোমোরজিৎনা অখন্নবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখি।

# সঙাই এফ সীনা ফেট লায়ন থোইদুনা ৱিন্নর ওইখ্রে



ইম্ফাল,জানুৱারী ৮(ঐচএনএস): দি য়ং ক্লব ব্রহ্মপুরনা শীন্দুনা ক্লব অসিগী গ্রাউন্দদা দিসেম্বর ২৪দগী হৌদুনা চথরকপা ১৫শুবা ৱাই সী বি ৪-এসাইদ দে এন্দ নাইট ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২২-২৩ ঙসি লোইশিনখিবগা লোয়ননা সঙাই এফ সীনা ৱিন্নর অদুগা ফেট লায়ননা রন্নর্স অপ অমদি থ্রী ষ্টার এনা অহুমশুবা পোজিসন তাবা ঙমখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা সঙাই এফ সীনা ফেট লায়নবু ১-০দা মায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইবা ঙমখিবনি।

লোইশিনবগী থৌরমদা স্পিকর থোকচোম সৈত্যবর্তনা অথোইবা মীথুংলেন, এ রুহিকুমারনা থৌরম মপু অদুগা এল ইনুংঙানবীনা অখন্নবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখিবগা লোয়ননা মকোক-মথং তাখ্রবশিংদা মনা-মথুম য়েন্থোকখি।

পুপু কপ

# ৱাই দি সী এল-এনা নেসু মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল,জানুৱারী ৮(ঐচএনএস): পেরদাইজ য়ুনিয়ন পুংদোংবম (পুপু)না শীন্দুনা ক্লব অসিগী গ্রাউন্দদা চথরিবা ৭শুবা পুপু কপ লল্লাই কেন্দ্র ইনভাইটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ বিগী মেটচ অমদা ৱাই দি সী এল-এ পুংদোংবমনা নেসু খুরাইবু ৩-১দা মায়থীবা পীখ্রে।



পারিথোইনা শান্নবগী ২৬ শুবা মিনটতা পুংদোংবমগী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। গোল চনখিবগা ইকান কান্নদনা সোভানা শান্নবগী ২৭ শুবা মিনটতা পুংদোংবমগী অনীশুবা গোল চনখি। অদুগা সনামচানা অনীশুবা হাফকী শান্নবগী ৪৫ শুবা মিনটতা পুংদোংবম টিমগী মায় পাকপগী ৩শুবা গোল চনখি। নেসুগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা চৌরজিৎনা শান্নবগী ৪৩শুবা মিনটতা চনখিবনি।

অতোপ্পা গ্রুপ এগী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা তাম এফ সী-বি সেক্তা অমদি ৱাফা ৱাঙ্গোই ১-১দা দ্রো ওইখ্রে।

ৱাঙ্গোইগী গোল অদুনা টি ঐচ নিটিশনা শান্নবগী ৪শুবা মিনটতা চনখি অদুগা সেক্তাগী গোল অদুনা বিসেশ্বরনা ৪০শুবা মিনটতা চনখি।

# প্রধান ট্রোফি

# আর এস গুগু, ব্রদর্স এফ সী দ্রো ওইখ্রে

ইম্ফাল,জানুৱারী ৮(ঐচএনএস): হয়েল য়ং পোপ্যুলর ক্লবনা শীন্দুনা হয়েল গ্রাউন্দদা চথরিবা প্রধান ট্রোফি ৬শুবা ষ্টেট লেভেল ৯-এসাইদ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা আর এস গুগু এফ সী অমদি ব্রদর্স এফ সী গোল অমত্তা চন্নদনা দ্রো ওইখ্রে।

অতোপ্পা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা রেসৱন্ত এফ সীনা লমদিং এফ সীবু ২-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

রেসৱন্ত এফ সীগী মায় পাকপগী গোল অনী অদু সরিফ অমদি অরিফনা শান্নবগী ১৫ অমদি ৩৭ শুবা মিনটতা চনখি। লমদিংগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা দম্বনা শান্নবা হৌরকপগী ৬শুবা মিনটতা চনখিবনি।

# ষ্টেট ফিনস্বিম্মরশিং ওকখ্রে

ইম্ফাল, জানুৱারী ৮ (ঐচ এন এস): পুনেগী শিব ছত্রপতি স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা দিসেম্বর ৯দগী ১১ ফাওবা পাঙথোকখিবা অনীশুবা নেসনল ফিনস্বিম্মিং চেম্পিয়নশিপতা শরুক য়ারুবা ষ্টেটকী ফিনস্বিম্মরশিং ঙসি মণিপুর ফিনস্বিম্মিং এসোসিএসননা শীন্দুনা খুমন লম্পাক স্বিম্মিং পূলদা তরাম্না ওকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা এসোসিএসনগী ওফিসলশিং, শান্নরোয়শিং অমদি পেরেন্টশিংসু শরুক য়াখি।

# ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্ট পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, জানুৱারী ৮ (ঐচ এন এস): ওল মণিপুর পোলো এসোসিএসননা শীন্দুনা ৩৮ শুবা মেন্স ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্ট ২০২২-২৩ পাঙথোক্লগনি। শরুক য়ানিংবা টিমশিংনা থা অসিগী ১৩ ফাওবগী মনুংদা অকুপ্পা মরোলশিং খঙহল্লক্কবা অম্পাগী সেক্রেটরি হুইদ্রোম লিওনিদনা খঙহল্লক্লি।

# ইন্টরনেসনল অম্পায়র অমদি মেদলিষ্টশিং তরাম্না ওকখ্রে

থৌবাল,জানুৱারী ৮(ঐচএনএস): ইন্টরনেসনল টেবল টেন্নিস ফেদরেসননা লৌবা অম্পায়র এগজামিনেসনদা মায় পাক্তুনা ইন্টরনেসনল অম্পায়র ওইনা খল্লক্লবশিং অমদি অনীশুবা নোর্থ ইষ্ট ওলিম্পিক গেমসকী টেবল টেন্নিস মশান্নদা মণিপুরগী ওইনা মেদল লৌরকখ্রবা শান্নরোয়শিং ঙসি থৌবাল কোলেজ লম্বীদা লৈবা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট টেবল টেন্নিস ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা ওকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।



মণিপুর টেবল টেন্নিস এসোসিএসন (এম টি টি এ) অমসুং থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট টেবল টেন্নিস এসোসিএসন (টিদিটিটিএ) অনীনা শীন্দুনা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা এম টি টি এগী সেক্রেটরি টি ঐচ জয়েন্ত, দিষ্ট্রিক্ট টেবল টেন্নিস এসোসিএসন ইম্ফাল ইষ্টকী এদভাইজর টি কে দেবেন্দ্র, টি দি টি টি এগী সেক্রেটরি দব্লিয়ু সুভাশ, থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট ভেটরান এসোসিএসনগী সেক্রেটরি এস ইলেনসু শরুক য়াখি।

ইন্টরনেসনল টেবল টেন্নিস ফেদরেসনগী অম্পায়র কোর্সতা মায় পাক্তুনা ইন্টরনেসনল অম্পায়র ওইরবশিং অদুদি শীংজমৈ য়ুম্নাম লৈকাইদগী মোইরাংথেম রোমেন অমদি থৌবাল ৱাংমা তাবদগী দেব অকোইজমনি। নোর্থ ইষ্ট গেমদা মেদল ফংলকখ্রবা শান্নরোয়শিং অদুদি মেন্স টিম ইভেন্টতা সিলভর মেদল ফংলকখ্রবা থোমাস এলাংবম, কে রোহিট, এল বিক্রম অমদি ৱাই বোই অদুগা ৱিমেন্স টিমদা সিলভর ফংলকখ্রবী সাপম আশালাতা, ঐচ সেনেরিতা, এ সনাতোম্বী, ঐচলিয়া; মেন্স দবলসকী সিলভর মেদলিষ্ট এল বিক্রম অমদি ৱাই বোই; ব্রোঞ্জ মেদলিষ্ট থোমাস এলাংবম অমদি কে রোহিট; ৱিমেন্স দবলসকী ব্রোঞ্জ মেদলষ্টি এস আশালাতা অমদি হুইরোংবম সেনেরিতা; মিক্স দবলসকী ব্রোঞ্জ মেদলিষ্ট থোমাস এলাংবম অমদি এস আশালাতা; ৱিমেন্স সিঙ্গলসকী ব্রোঞ্জ মেদলিষ্ট এ সনাতোম্বীনি।

থৌরমগা মরী লৈননা ইন্টরনেসনল অম্পায়র অমদি শান্নরোয়শিংদা অচম্বা খূদোল পীদুনা পূক্নিং থৌগৎখি।

এম এন সী এ প্লেট টুর্নামেন্ট

# আর আর সী সীনা ৱিকেট ১দা মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল,জানুৱারী ৮(ঐচএনএস): মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসননা শীন্দুনা মোদেল হায়র সেকেন্দরি অমদি ওরিয়েন্টেল কোলেজ গ্রাউন্দদা চথরিবা ৭শুবা এম এন সী এ প্লেট টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ এগী মেটচ অমদা আর আর সী সী চুড়াচান্দপুরনা এ কে এস দি ও খাঙবোকপু ৱিকেট ১দা মায়থীবা পীখ্রে।

চুড়াচান্দপুর টিমনা টোস ঙমদুনা অহানবা ফিল্ডিং খনখি। অহানবা ইন্নিংসতা বেটিং তৌখিবা খাঙবোক টিমনা ওভর ৩২.৪দা ওল আউট ওইদুনা রন ১২৫ লৌখি। মদুগী পাউখুমদা আর আর সী সীনা ওভর ৩৭.১দা ৱিকেট ৯ তুরগা অপীবা টার্গেট য়ৌদুনা খাঙবোক টিমবু ৱিকেট ১দা মায়থীবা পীখি।

মেটচ অসিদা আর আর সী সীগী থাংখোহাওনা অহানবা ইন্নিংসকী ওভর ৭.৪ লংবদা ৱিকেট ৪ লৌদুনা মেন ওফ দি মেটচকী মনা ফংবা ঙমখি।

# নেরোকা মায়থীহৌরে

পঞ্চকুলা, জানুৱারী ৮ (এজেন্সী): এ আই এফ এফনা শীন্দুনা চথরিবা হিরো আই-লীগকী ঙসি রাউন্দ গ্লাস পঞ্জাব এফ সীগী হোমদা শান্নখিবা মেটচ অমদা নেরোকা এফ সীবু ৩-১দা মায়থীবা পীখ্রে।


পঞ্জাব এফ সীগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু লুকা মেজসেন, ব্রেন্দন ভনলালরেমদিকা অমদি কৃষ্ণনন্দ সিংহনা শান্নবগী ১২, ১৫ অমদি ৭৭ শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি। নেরোকাগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা য়ুম্নাম গোপিনা শান্নবগী ৪৪ শুবা মিনটতা চনখিবনি।

রাউন্দ গ্লাস পঞ্জাবনা ঙসিগী মায় পাকপা অসি থারগা পূন্না মেটচ ৯ শান্নবদা পোইন্ট ১৭ ফংবা ঙমখি অদুগা নেরোকা এফ সীনা পূন্না গেম ১০ শান্নখিবদা পোইন্ট ৭ ফংবা ঙমখ্রে।

# HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE

**PUZZLE NO. 681**

**FM Theo Stijve (2339) - Martin P Burrows (2156)**
**Gibraltar Masters 2019 Caleta ENG, 2019.01.25**



| | | | |
|---|---|---|---|
| 1.e4 c5 | 2.Nf3 d6 | 3.d4 cxd4 | 4.Nxd4 Nf6 |
| 5.Nc3 a6 | 6.Be3 e5 | 7.Nb3 Be7 | 8.f3 Be6 |
| 9.Qd2 O-O | 10.O-O-O a5 | 11.a4 Na6 | 12.g4 Nb4 |
| 13.Kb1 Rc8 | 14.g5 Nh5 | 15.Rg1 g6 | 16.Qf2 d5 |
| 17.exd5 Rxc3 | 18.bxc3 Nxd5 | 19.Kb2 Qc7 | 20.c4 Nxe3 |
| 21.Qxe3 Rc8 | 22.Rg2 Nf4 | 23.Rgd2 Bxg5 | 24.Qa7 Qc6 |
| 25.Nxa5 Qxa4 | 26.c3 Be7 | 27.Ra1 Qe8 | 28.Nb3 Qc6 |
| 29.Qe3 Qc7 | 30.Ra5 Bd6 | 31.h4 Bf5 | 32.Rd1 Qe7 |
| 33.Ra7 Bb8 | 34.Ra5 Qxh4 | 35.Rb5 Qe7 | 36.Na5 b6 |
| 37.Qxb6 Bc7 | 38.Nc6 Qe8 | 39.Qc5 Ne6 | 40.Qd5 h5 |
| 41.Qd7 Qxd7 | 42.Rxd7 Bd8 | 43. ... | |

**QUESTION :**
**White to win**

**Puzzle 680 Ans. :**
36. Nh7+ Ke7 37. Bf6+ The white bishop deflects Black's knight away from protecting the square c5 and the square e5. Nxf6 Blocking square f6. 38. Nf5+ exf5 39. Qc5+ Ke6 40. Ng5#
40. Qe5#
40. Qd6# Swallow's tail mate
1-0

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com